# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-02-2025)**
## অকাশবানি ইম্ফালগী
**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু রাজ্যপাল অজে কুমার ভাল্লানা অয়াবা পীখ্রে, অল্টরনেতিভ এরেঞ্জমেন্ট তৌদ্রিফাওবা মখা তানা ফম অসি পায়নবা খঙহনখ্রে।

২) ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম ঙসিদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু তোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি প্রয়াগরাজতা চত্তুনা মহাকুম্ভ মেলাদা শরুক য়াগনি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু রাজ্যপাল অজে কুমার ভাল্লানা অয়াবা পীখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনগী পাউনা হায়-নোংথোম্বম বিরেননা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকপা অদু রাজ্যপালনা য়াখিবগা লোয়নননা অল্টরনেতিভ এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌদ্রিফাওবা মহাকা মখা তানা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম অসি পুননবা খঙহনখি।

নিংশিংবা য়াই, য়ামা থাজদবা মওংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন ঙরাং নুংথিল পুং ৪ মখায়দা বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ সম্বিট পটত্রাগা লোয়নননা নিউ দেল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলবা মতুংদা মহাক্কী বঙ্গলোদা এম.এল.এ খরগা উন্নরবা মতুংদা রাজ্যপালদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবনি। রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা য়াওবা মন্ত্রি খরা অমদি এম.এল.এ খরসু লোয়নখি।

ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনবা চৎমিন্নরুরবা মতুংদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা পাউমীশিংদা হায়-মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফম থাদোকখিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী খল্লগা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

**--সাউন্দ বাইট--সরদা**

**খূৎলাই (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী তেল্লৌদগী মণিপুর নাগা রিভোলুস্নরি ফ্রন্টকী মীওই ৭ য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিংগা কোন্ননা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা মীওইশিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং খূৎলাই লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা এ-১ এসোল্ট রাইফল অমা, এ.কে-৪৭ রাইফল অমা, ইন্সাস রাইফল অনি, এস.এল.আর অনি অমসুং বুলেট প্রুফ জেকেট মঙা য়াওরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নাউদাখোঙ চীংখোঙদগীসু য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এ.কে-৫৬ রাইফল অমা, এস.এম.সি কর্বাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, তিয়র স্মোক সেল তরুক, হেন্দ গ্রেনেট তরুক, আই.ঈ.দি বোম মরি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

**এসেমব্লি(এল)ঃ** ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম ঙসিদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু তোকখ্রে। মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি কে.মেঘজিট সিংহনা ঙরাং অথেংবদা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লানা ঙসিদগী রাজ্য বিধান সভা মীফম হৌননবা মমাঙ থাগী ২৪ দা সম্মোন তৌখিবা অদু খুদক্তগী চৎননরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্লিবা মহাকুম্ভদা চৎকনি। মহাকা ত্রিবেনি সঙ্গমদা অমৃট স্নান তৌগনি। প্রায়াগরাজতা লৈবা এক্সেভাট অমসুং বরে হনুমান মন্দিরদা চত্তুনা লাই খুরুমগনি। রাস্ত্রপতিগী খোঙচৎ অদুদা উট্টর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগী অদিত্যানাথ য়াওনা মশক নাইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি।

**রাজনাথঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ভারতনা মীরৈবাক্তা ঙাকশেলগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং য়োনবগী চাং লূপা কোতি লাখ অমা লিশিং ২৭ য়ৌবা ঙল্লে। বেঙ্গলুরুদা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-সরকারনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা ওইহন্ননবা লৌখৎলকপা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিংনা ফীভম অসি য়ৌরকপা ঙমখিবনি। মহাকা হায়-লৈবাক ২৬ তগী লাকপা ঙাকশেল মন্ত্রিশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবা দিফেন্স মিণিষ্টর্স কনক্লেভতা-বিল্ডিং রিজিলিএন্স থ্রু ইন্টর্নেসনেল দিফেন্স এন্দ গ্লোবেল এঙ্গেজমেন্ট শমা ব্রিদজ হায়না খঙনবা অসিগী ৱাখল্লোনদা মপুং ওইনা খন্নগনি। মহাকা হায়-ঙসিদগী বেঙ্গলুরুদা হৌগদবা নুমিৎ মঙানি চথগদবা এরো ইন্দিয়া সোদা লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙম্বা শক্তী কয়া উৎকনি। মসিনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মখোয়গী মঙলান মঙফাওনহন্নবা অনৌবা ইনোট অমা পীরগনি।

**পিএম ঃ** পরিক্ষা পে চরচাগী ৮ শুবা এদিসন ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ৩৬ কা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইফ ওইনা শন্দোক্কদৌরিবা থৌরম অসি মহৈরোই কোতি মঙা হেনবনা শরুক য়াদুনা

য়েংগদৌরি। থৌরম অসি অকাশবানি, দুরদর্শন, স্বায়ম, স্বায়ম প্রভা, পি.এম.গী য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং কেন্দ্রগী এদুকেসন অমসুং ইনর্ফেমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়শিংগী সোসিএল মেদিয়া চেন্নেলশিংদসু লাইফ ওইনা য়েংবা ফংগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স অমসুং আমেরিকাগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাকশিং অসিদা ভারতকী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিক ইকোনোমিক অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না নকশিন্নবা মরী থমনবা পান্দম থল্লি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সতা থুংগনি অমসুং মফম অদুদা নুমিৎ নিনি লৈদুনা এ.আই. এক্সন সমিট-২০২৫ দা শরুক য়াগনি। মারসেদা নৌনা হাংদোক্কদবা ভারতকী কন্সুলেট জেনরেলসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগনি। থা অসিগী ১২ দা প্রধান মন্ত্রিনা আমেরিকাদা চৎকনি অমসুং রাষ্ট্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, ষ্ট্রেটেজিক কো-ওপরেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**রেলৱেঃ** রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি-রেলৱেজতা হাংদুনা লৈরিবা ফম লিশিং ৯৫ অথুবা মতমদা মেনশিল্লগনি। বিহারগী বেতিয়া জঙ্কসনদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-হান্ননা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখিবা অহাংবা পোষ্ট লাখ অমা মখায়গী মথক্তা নৌনা অতোপ্পা অহাংবা ফম লিশিং ৯৫ অসি মেনশিনগদবনি। মন্মিনা হায়-নম্মো এন্দ বন্দে ভারত ত্রেনশিংনা রেলৱে সেক্তরদা চাউনা কান্নবা পীরি। বিহারদা রেলগারিগা মরি লৈনবা প্রোজেক্টশিং শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লূপা কোতি লিশিং ৯৫,৫০০ থাদরি।

**গেমসঃ** উট্টরাখন্দদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা ঙরাং মণিপুরগী জিমাষ্টিক শান্নরোই অনি-ও.উমাজিট অমসুং আরিহা পাঙম্বম নুপা

অমসুং নুপীগী আর্টিষ্টিক জিমাষ্টিক্তা ফাইনেল চংখ্রে। মসিগী মমাঙদা এরোবিক জিমাষ্টিক্স মিক্স পিয়রস, ত্রাইয়ো অমসুং জিমাষ্টিক গ্রুপ্তা হান্ননা ফাইনেল চংখ্রবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন ফম থাদোকখিবা, ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম তোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

দেল্লিদগী হল্লকপগা এন.বিরেন ফম থাদোকখ্রে, অয়াবা পীখ্রে, অনৌবা সি.এম হাপত্রিবা ফাওবা কিয়র তেক্কর সি.এম ওইনা লৈহনখ্রে, এসেমব্লি মীফম কৌখিবদু চৎনহনখিদ্রে হায়বা পাউ-সনালৈবাক পাউচেদা বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হুইয়েন লানপাউ, ইচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাংদসু বেনর হেদলাহন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিমক তামেংলোং তাইমস অমসুং গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.আর.বিদগী নোংমৈ ৯ লাকখ্রে, ৮ লৌখৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুরগী ইন্টরেষ্টতা সি.এমনা রিজাইনেসন লেতর পীশিনখিবনি, অনৌবা চিফ মিণিষ্টর হাপবা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না বি.জে.পি প্রসিদেন্ট সরদা দেবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা কে.সি.পিগী লোৎফম থুগাইখিবা লোয়ননা, খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীখা পোনবা হৈনরক্তবা জাতি অমা ওইরবসু ঐখোয় মশেল পুনশিন্নবা য়াদবা অসিমত্তং য়ারবদি ঐখোয়বু নম্বীনবা লৈরোই হায়না মিণিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা

লমাইদা ফোঙলি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং হান্নগী য়ুমফমদা লৈঙাকা ময়ুম শাবীরগা অথুবা মতমদা হঞ্জিন্নবা থবক পায়খৎপীবা মথৌ তারে হায়বা পাউ-ইচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

দেল্লি বিধান সভা মীখলদা এ.এ.পিবু মাইথিবা পীদুনা বি.জে.পিনা চাউনা মাই পাকখিবগী পাউ তামেংলোং তাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম ফম থাদোকখিবগা মরি লৈননা, মতিক চাবা দাইত্যা লৌবীগদবা সরকার অমা মথৌ তাই হায়না কংগ্রেস এম.পি.বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**